# যুএসকী টোপ ওফিসিএলশিংগ ব্লিঙ্কন অমসুং ওষ্টিননা যুক্রেনগী কিভতা জেলেন্সকিগা উন্নখ্রে



কিভ, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

যুএসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনিও ব্লিঙ্কন অমসুং সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স ললোইদ ওষ্টিননা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা উন্নখ্রে।

মদু রসিয়ানা যুক্রেনদা লান দাখিবদগী লান নঙলবা লৈবাক অসিদা চৎপা যুএসকী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী খোঙচৎনি। জেলেন্সকিগী এদভাইজর অমা ওইরিবা ওলেক্সি অরেষ্টোবিসনা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, মদুদি হৌজিক হৌজিক যুক্রেনগী কেপিটেলদা টোপ অমেরিকান ওফিসিএল অনী অদু জেলেন্সকিগা ৱারী শান্নরি।

লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা যু ট্যুবতা শন্দোকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুদা অরেষ্টোবিসনা হায়খি, মদুদি মখোয়না মরু ওইনা খুৎলায় সপ্লায় অমসুং রসিয়াগা মরী লৈনবা জোইন্ট পোলিসিশিং খন্নগনি।

এদভাইজর অসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্টরভিয়ু অমদা ৱা ঙাঙখ্রবা মতুংদা যুএসকী দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা কম্মেন্ট অমত্তা পীয়ু হায়খিদে। দিপার্টমেন্ট ষ্টেটনসু খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদে। রসিয়ন ফোর্সশিং নোংপোক খা থংবা শরুকশিংদা রসিয়ন ট্রুপশিং কেপিটেল কিভ পায়শিনবা নত্তগা জেলেন্সকিগী গভর্নমেন্টবু চিংথুবা ঙমদবদগী যুক্রেনগী খা অমসুং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা চঙশিনখিবনি।

লাঙ্গোই চল্লবা পোর্ট মরিওপোলবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরিবা রসিয়ন ট্রুপশিংবু নোংপোক থংবা দোনবাস রিজনদগী তকথোকপা ঙম্নবা হেন্না মতিক ময়াই লৈবা খুৎলায়শিং থারক্নবা যুক্রেননা যুএস অমসুং মসিগী মীচংশিংদা প্রেসর পীখি। খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা জেলেন্সকিনা যুএস অমসুং মসিগী মীচংশিংবু কাউন্টর ওফেন্সিব কনশিনবদা মতেং পাঙগদবা খুৎলায়শিং থারকপগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না মখা তারদুনা যুএসকী এনভোইশিং যুক্রেনদা লাকপা মতমদা খুৎ হাংলক্লোইদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

যুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন, যুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা ভোন দের লিয়ন অমসুং অতৈ ফোরেন লিদর কয়া মমাঙদা কিভতা লাক্তুনা যুক্রেনিয়ন গভর্নমেন্টবু মখোয়না শৌগৎলি হায়বসি উৎখ্রবনি।

খোঙচৎশিং অদুনা প্রেসর পীবদগী যুএসনা তঙাই ফদনা প্রসিদেন্ট জো বাইদেন নত্ত্রগা অতৈ সিনিয়র ওফিসিএলশিংনা যুক্রেনদা চৎনবগী সেদ্যুল শেম্নবা হোৎনরকখিবনি। মমাঙদা হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখিবদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা যুক্রেনদা চৎনবা থৌরাং তৌবা লৈতে হায়খি।

জেলেন্সকিনা মমাঙদা যুএসকী সিনিয়র ওফিসিএল অমগা মায় মায় ওনশিন্নদুনা উন্নখিবা অসি ফেব্রুৱারী ১৯ হায়বদি রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দাদ্রিঙৈদনি। নুমিৎ অদুদা মহাক্না জমর্নিগী ম্যুনিক্তা যুএসকী ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসকা উন্নখি।

কনফ্লিক্ট অদু মতম শাংলক্লবসু রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লান হন্দোকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ অমত্তা পীরকখিদবা লোয়ননা যুএস অমসুং যুরোপিয়ন এল্লাইশিংনা মোস্কোদা লেপ্তুনা অথিংবশিং লাউথোকখি অমসুং যুক্রেনদা খুৎলায় সপ্লাই তৌবসু হেনগৎখি।

চৈরকসিদা রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী মরক্তা চথুরকখিবা পিছ টোল্ক লেপখিবদগী হ্যুমেনিটরিয়ান ফিভম হেন্না লুশিল্লকপা উই। যুএনগী রিফ্যুজি এজেন্সিনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা মীওই মিলিয়ন মঙা হেন্না যুক্রেন থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

রসিয়নশিংনা নিংথিনা কন্ট্রোল তৌরে হায়রিবা পুটিননা লাউথোকপা লৈখ্রবা মরিওপোলদা হৌজিকসু মীওই ১০০,০০০ রোম পন্দুনা লৈরি হায়না যুক্রেনিয়ন ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মখোয়না রসিয়ন ফোর্সশিংবু মীচমশিংনা শিরিবদু লোৎশিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি। রসিয়ন ফোর্সশিংগী কা হেনবা থৌওংশিংগা মরী লৈননা যুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা পুটিনবু যুক্রেনিয়ন মীয়াম্বু পাত্তক্লনা হাৎপগী মরাল লৈরবা ৱার ক্রিমিনেল অমনি হায়খ্রবনি।

# আইএমএফনা পাকিস্তানদা পীগদবা দোল্লর বিলিয়ন ৮ গী পেকেজ এপ্রুভ তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

পাকিস্তান অমসুং ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দ (আইএমএফ) না শেলগী অৱাবা মায়োক্নরিবা ইস্লামাবাদপু মতেং পাঙনবা পায়খৎখিবা বেল আউট প্রোগ্রাম চহী অমগা শাংদোকপা অমদি লোনগী শেনফম দোল্লর বিলিয়ন নিপান য়ৌহনবগী ৱাফম য়ান্নখ্রে।

খোঙথাং অসিনা মার্কেট ষ্টেবল ওইহনবদা মতেং পাঙবগা লোয়ননা অনৌবা গভর্নমেন্টনা মায়োক্নরকপা য়াবা শেল থুমগী অরুবা ফিভম কয়া কোকহল্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

য়ান্নবা অদু পাকিস্তানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর মিফতা ইস্মাইল অমসুং আইএমএফকী দিপ্যুটি মেনেজিং দিরেক্তর এন্টোনেট সায়েগী মরক্তা ৱাশিংতনদা ৱারী শান্নবদা পুরকখিবনি হায়না ছোর্সশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা লোইশিন্নবা হান্না লেপ্লম্বগী মায়োক্তা থা মাপন শাংদোক্তুনা প্রোগ্রাম অদু চহী অমা য়ৌহনবগী ৱাফম আইএমএফনা য়াখি।

তৌইগুম্বসুং নাকল অনীগী মরক্তা ফাইনেল মোদিলিটিশিং খন্নগদবা লৈরি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা গভর্নমেন্টগী সেনিয়র ফঙ্কসনরি অমনা হায়খি, মদুদি লোনগী সাইজ অদু হৌজিক




লৈরিবা দোল্লর বিলিয়ন তরুক্তগী নিপানদা হেনগৎতুনা দোল্লর বিলিয়ন অনী হাপচিল্লগনি।

মমাঙগী পিটিআইনা লুচিংবা গভর্নমেন্ট অমসুং আইএমএফনা থা ৩৯ গী এক্সটেন্দেদ ফন্দ ফেসিলিটি (জুলাই ২০১৯ দগী সেপ্টেম্বর ২০২২ ফাওবগী) খুৎয়েক পীনখি। মদুগী অপূনবা ভেল্যু দোল্লর বিলিয়ন তরুক ওইখি।

অদুম ওইনমক মমাঙগী গভর্নমেন্টনা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং ঙাকপা ঙমদবদগী প্রোগ্রাম অদু লেপ্পা তাখি। পুন্না দোল্লর বিলিয়ন অহুম রিলিজ তৌদুনা লৈখি।

পাকিস্তানগী কেস অদুবু আই এম এফকী বোর্দতা এপ্রুবেলগীদমক খন্নহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা ইস্লামাবাদনা মথংগী শেনবা চহী ২০২২-২০২৩ গী বজেট ষ্ট্রেটেজি য়াগদবনি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী জনুৱারীদা হান্নগী গভর্নমেন্টনা আইএমএফকী বোর্দতা পীখিবা কম্মিটমেন্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎখিবা অরানবা খোঙথাং খরসু শেমদোল্লগনি হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস সরিফকী গভর্নমেন্টনসু উৎকদবনি।

পাকিস্তান অসি হৌজিক পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক্কী করি ফিভম লাক্কদগে হায়বা ঙমদবা তাঙ্কক অমা মায়োক্নরিবনি। আইএমএফকী প্রোগ্রাম অসিবু হান্না লেপ্লখিবা মতমদগী হেন্না শাংদোকহনগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী ইকনোমিক পোলিসিশিংদা লৈখায় তাবা ফিভম অমা লাকহনবগা লোয়ননা মার্কেটশিংসু শিংথানিংঙাই ওইনা ষ্টেবল ওইহনবা ঙম্লবা য়াই হায়রি।

# জপানগী মাঙখ্রবা টুরিষ্ট হিদা তোংখিবশিংগী মরক্তা শিখিবা মী মশিং ১১ শুরে



টোকিও, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মশাগী চহী অহুমরোমদা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা শিরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা জপানদা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা থীবা খঙখিদবা টুরিষ্ট হি অমদা তোংখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী শিখিবা মী মশিং ১১ শুরে হায়না কোষ্টগার্দ অমসুং লোকেল ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মাঙখিবা মীওইশিং অদুবু থীবগী চার্জ শীন্নরিবা কোষ্টগার্দ অমসুং সেল্ফ-দিফেন্স ফোর্স (এসদিএফ) না মখোয়না থীরিবা মফমশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনখি। থীবগী থবক অদুদা এয়রক্রাফট অমসুং ভেসেলশিং শীজিন্নরি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

টন ১৯ গী টুর বোট অমা ওইরিবা কাজু ওনে কৌবা ভেসেল অদু এপ্রিল ২৩ দা জপানগী অৱাং ইথং থংবা প্রিফেকচর কোকাইদোগী সিরেটোকো পেনুন্সুলাগী মনাক্তা থীবা খঙখিদবা মতমদা পুন্না মীওই ২৬ তোংখিবনি।

ইথক ঈপোম কল্লবা ঈশিং মরক্তা হি অদুদগী দিষ্ট্রেস কোল অমা নুমিত্তুদা লাকখি। লোকেল একাউন্টশিংগী মতুং ইন্না নুংথিল পুং ১.১৫ রোম তাবদা হি অদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। হি অদুদা তোংখিবশিংগী মনুংদগী নুপা তরেৎ অমসুং নুপী অহুম শিরে হায়বসি মথঙগী নুমিত্তা কনফার্ম তৌবা ঙমখি।

ভেসেল অদুদা তোংলিবা অঙাং অনীগী হকচাংশিংসু ঈশিংদগী লৌখৎখি। ভিক্তিমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌনা থেংনখিবা মশাগী চহী অহুমরোম শুবদা ঙাইরিবা নুপীমচা অদু হোকাইদোগী অৱাং নোংপোক হোলদা লৈবা মীয়াম্না পাম্নরবা সিরেকোটা পেনুন্সুলাগী মতাই ইথং থংবা শরুক্তা নক্নবা লাইট হাউস অমদগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১৪ রোম লাপ্লা ঈশিংগী শরুক্তা থেংনখিবনি। অঙাং অদুগী হকচাং অদু নুংশিৎ অমসুং ইথৎ ঈপোমনা কোইপু পুরগা লৈরমখি হায়না সারিদা ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকখি। হি অদু মফম অসিদগী খোঙশানখিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা নুপীমচা অদুগী মমা মপাসু হৌজিক ফাওবা থীবা খঙদ্রি। কোষ্টগার্দ অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ লেন্দ ইনফ্রাষ্টকচর, ট্রান্সপোর্ট এন্দ টুরিজম্না ফোঙদোরকখিবদা হি অদু খোঙশানখিবা মতমদা পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু ২৪ মক লাইফ জেকেটশিং লিৎলম্বা য়াই হায়না থাজনখি।

তৌইগুম্বসুং নুপীমচা অদুগী হকচাং থেংনখিবা মতমদা লাইফ জেকেট শীজিন্নরমদে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি। শিরে হায়বা কনফার্ম তৌরবা মীওই তরা অদুগী মনুংদা মাপনদি ঈশিংদা নত্ত্রগা হি অদুনা ইহান হান্না রেস্ক্যু কোল পীরকখিবা মফমদগী কিলোমিটর ১০ রোম লাপ্পা রোক মনাক্তা লৈরম্বা থেংনখি।

মতমদুদগী থীবা হুম্বগী থবক অদু হেন্না পাকথোক চাওথোক্ল। পাঙথোকখি। লোকেল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মফম অদুগী ঙা ফাবদা শীজিন্নবা ভেসেলশিংসু থীবগী থবক অদুদা য়াওশিনখি।

# কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী বৈজিংনা রেসিদেন্ট মিলিয়ন কয়া পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌবা হৌরে



বৈজিং, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী চাইনিজ কেপিটেল বৈজিংদা রেসিদেন্ট মিলিয়ন কয়া পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌবা হৌরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা চাওয়াং দিষ্ট্রিক্তিতা কেস ২৬ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা বৈজিংদা ইনৌ নৌনা কোভিদ কেস হেনগৎলক্লিবা অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশিং ওইখি।

বৈজিংগী মী খ্বাইদগী য়াম্না তাবা দিষ্ট্রিক্ত ওইরিবা চাওয়াংগী মীওই মিলিয়ন ৩.৫ মক রাউন্দ অহুম থোক্লা পাক্তক্লনা চথগনি হায়না সিটি অসিগী দিজিস প্রিভেন্সন টিমগী নোটিস অমদা পনখি।

নোটিস অদুনা মরম ওইদুনা সিটি অসিগী রেসিদেন্টশিং ইসেন্সিয়েল সপ্লাই লৈননবা হোৎননখি। লোকেল মিদিয়াদা ফোঙবা ইমেজশিংদা সুপর মার্কেটকী সেল্ডশিং মীয়াম্না হাথু হাথু পোৎ লৈনবদগী হাংবা অমদি কাউন্টরশিংদা ক্যু শাংনা লেপ্পা উখি। বৈজিংগী মরু ওইবা সুপর মার্কেটশিং দিমান্দ হেনগৎলকপগী ফিভম য়েংদুনা মতম হেন্না শাংনা হাংনখি।

কেপিটেল বৈজিংসু সাংহাইগা মান্নবা ফিভম অমা মায়োক্নরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী ফিভম অসি লাকপনি। সাংহাইদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ২৫ চয়োল কয়া য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈনখি।

সাংহাইদা লৈবা ৱৈবো শীজিন্নবা মীওই অমনা বিবিসিদা হায়খি, মদুদি অয়ুক অঙনবদা মার্কেটতা চৎতুনা পোৎচৈশিং লৈশিনগনি হায়বসি মহাক্না মমাঙদা অমুক্তা খনখিদে। তৌইগুম্বসুং মার্কেট য়ৌবা মতমদদি য়েরুম অমদি অতৈ পোৎলমশিং শিৎ নাল্লমখি।

সাংহাইদা লৈবা অতোপ্পা ৱৈবো য়ুজর অমনা হায়খি, মদুদি বৈজিংদা মীয়াম্না মীপায়নদুনা হাথু হাথু পোৎচৈ লৈনবা উবসি অমরোমদা নুংঙাই তৌইগুম্বসুং অৱাবগী মশক অমসু ওই।

সিটি অসিগী হেল্থ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌবগী রিজল্টশিং অদুনা মফম কয়াদা লোকদাউন থম্বগুম্বা অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী মথৌ তারক্কদ্রা নত্ত্রগা অসিগুম্বা থৌরাংশিং লৌখৎত্রবসু য়াগনি হায়বসি খঙবা ঙমগনি।

হৌখিবা মার্চকী অথেংবা শরুক্তা অহানবা ওইনা দিটেক্ট তৌখিবা সাংহাইদা ইনৌ নৌনা থেংনখিবা ইনফেক্সনশিং অদু হৌজিক ফাওবদা ৪০০,০০০ হেল্লে অমসুং লৈখিদবা মীওই ১৩৮ শুখ্রে।

চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা সিটি অদুদা চৎনহল্লিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং থোকপা য়াদনবা থোঙদা ইলেক্ট্রোনিক এলার্মশিং থম্বা অমসুং মীয়াম্বু নমদুনা য়ুমদগী থোকহন্দুনা দিসইনফেক্সনগী থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াওখি।

সাংহাইগী লোকদাউন তৌরিবা মফম খরদা লৈবা মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না চান থক্লবা পোৎলমশিং ফঙনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি।

অসিগুম্বা ফিভম অদুদা মখোয়না তঙাই ফদনা গভর্নমেন্টনা য়েল্লকপা এঞ্জাং নাপিশিং মিত অমসুং য়েরুম ঙাইবা তাখি।

# যুক্রেনগী বোর্দরগা নক্নবা রসিয়াগী সিটিদা লৈবা ওইল দিপো মৈ চাকখ্রে

মোস্কো, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

যুক্রেনগী বোর্দরগা নক্নবা লৈবা রসিয়াগী অচৌবা সিটি অমা ওইরিবা ব্রিয়াঙ্কসতা লৈবা ওইল দিপো অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মৈ চাকখ্রে।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ট্রান্স নেট-দ্রুজা জেএসসিনা ওপরেট তৌবা প্রিমিসিয়স অমা অমদি অতোপ্পা মফম অমদা থোকখিবনি হায়না ওফিসিএলশিংনা রিয়ানোভোষ্টিদা ফোঙদোরকখি।

আরটিনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইমর্জেন্সি সেচুয়েসন্সকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ওইল দিপো মৈ চাকপা অদুগা মরী লৈননা মীশি মীনা থোকপা অমদি য়ুম কৈশিংদা খুদোংথীবা থোরকপা য়াবগী পাউশিং ফঙখিদে।



প্রেস সার্ভিস অসিনা মখা তানা হায়, মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইরগা অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদো হোংদোক্নবা থৌরাং তৌবা লৈতে। অঙনবগী পাউ মতুং ইন্না মীশি মীনা য়াওখিদে।

টাজ ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না লোকেল মীওইশিংনা পোকখায়বগী মখোল তাবা ফঙখি হায়না ফোঙদোক্নরকখি।

সোসিএল মিদিয়া ভিদিওশিংদা সাইরেন মখোলশিং তাবা ফঙখি। মোস্কো দেলি কোমারসান্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না সিটি অসিগী ফোকিন্সকি দিষ্ট্রিক্ততসু অতোপ্পা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখি। তৌইগুম্বসুং মদু করিনা থোকহল্লিবনো হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

ব্রিয়াঙ্কস অসি মীওই ৪০০,০০০ হেন্না তাবা সিটিনি। মসি মরু ওইবা রিজনেল টর্ফ অমসু ওই। ইন্টফেসকী ছোর্স অমগী মতুং ইন্না টন ১০,০০০ গী দিজলগী টেঙ্ক অমা মৈ চাকখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা রোসিয়া টিভিনা মৈ চাকখিবা অনীশুবা পোৎশক অদু মিলিটরি য়ুনিট অমগী দিজল ফ্যুএল দিপো অমনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অদুগী মমাঙদা ব্রিয়াঙ্কস রিজনগী ওফিসিএলশিংনা টেরোরিষ্ট থ্রেটকী মরমদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

থা অসিগী অঙনবদা ওইল দিপো অমদা এটেক্ট চথুরকখি হায়না যুক্রেনবু মরাল শীবা লৈখ্রবা বেলবোরোদ রিজন অমদি বোরোনেসকী মফম কয়াদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক্ট কয়া চথুরকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখিবনি।

# ইজরেলনা অল-অক্সা ষ্টেটস-কো কায়হন্দনা থম্বা পাম্মী: ইজরেল্লি ফোরেন মিনিষ্টর



জেরুসালেম, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

ইজরেলনা ইষ্ট জেরুসালেমগী অল-অক্সা মোস্ককী কম্পাউন্দদা জিয়ুশিংবু লাই খুরুম্বা চঙবা থিংখিবা ষ্টেটস কো মখা তানা ঙাক্লা চৎপা পাম্মী হায়না ইজরেল্লি ফোরেন মিনিষ্টর য়ায়র লাপিদনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ব্রিফিং অমদা লাপিদনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, ইজরেলনা টেম্পল মাউন্টকী ষ্টেটস কো কায়হন্দনা থম্বা পাম্মী। মসি লৈবাক অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মুস্লিমশিং অমসুং জিয়ুশিং অনীমক্কী শেংলবা মফম ওইরিবা সাইট অদুবু ইজরেল্লিশিংনা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি মুস্লিমশিংনা টেম্পল মাউন্টতা লাই খুরুম্মৈ। নন-মুস্লিমশিংনসু মফম অদুদা চৎনৈ। মসিদা অহোংবা লৈতে। টেম্পল মাউন্টপু লাইনিং লাইশোনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা খায়দোকপগী থৌরাং ঐখোয়দা লৈতে। কম্পাউন্দ অদুদা খুৎ থোক্নখিবদা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়োক্তা ফোর্স কা হেন্না শীজিন্নখি হায়বা ক্রিটিজিমগা মরী লৈননা লাপিদনা গাজা ষ্ট্রিপতা পাল্লিবা পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটরি গ্রুপ হামাসপু পেলেষ্টিনিয়ন নহাশিংবু ইজরেল্লি পুলিসতা নুঙ অমসুং ফায়র ক্রেকরশিং লংশিন্দুনা এটেক্ট তৌনবা ইনশিল্লি হায়না মরাল শীখি।

মসি ইজরেল্লি পুলিসপু নমদুনা মোস্ক অদুদা চঙহন্দুনা মখোয়বু তকথোক্লবা কায়হৌরকখিবগী থৌওং অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মুস্লিমশিংগী মখোয়গী শেংলবা চাকহেন থা রামাদান ওবজার্ব তৌখিবগা লোয়ননা জিয়ুশিংনা চয়োল অমগী হোলিদে পাষ্ট ওভর হৌখিবা নুমিৎ এপ্রিল ১৫ দগী ইজরেল্লি পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ন ২০০ অশোক অপন নঙখিবনি।

জিয়ু লিশিং কয়া অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দদা চঙবা য়াহন্দুনা কম্পাউন্দ অদুদা পুলিসকা খুৎ থোক্লবগী ফিভম অসি লাকহনখিবনি হায়না পেলেষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেলবু মরাল শীখি। শেংলবা মফম অদু ইজরেলনা কুমজা ১৯৭৭ কী মিদ্দল ইষ্ট লানদা খুদুম চনখিবা মফম অমা ওইরিবা ইষ্ট জেরুসালেমদা লৈরিবনি। মতম খরা লৈরগা ইজরেলনা ইষ্ট জেরুসালেম লৌশিনখি। অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দ অসি জোর্দাননা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌদুনা লাক্লবসু ঙাক শেনবগী থবক্না ইজরেল্লি পুলিসকী ওইদুনা লাক্লি।